হুয়েন লানপাউ স্পোর্টস
Monday, April 12, 2021, Imphal




ইন্দিয়া লৈঙাক্কা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী খুৎথাংদা লৈবাক অসিগী অফবা শান্নরোয়শিং পুথোক্তুনা ওলিম্পিক্সতা মকোক ওইনবা হোৎনবদা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিমনা চাওনা মতেং পীরি হায়না ফোঙদোকখিবা জেভলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রা

স্পেনগী লালিগাদা রিয়াল মাদ্রিদকী মখূৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখ্রবা বার্সেলোনাগী টিমদা রেফরিনা পেনাল্টি অমা পীবা য়াবা তাঞ্জাদা পীখিদে হায়দুনা রেফরিগা নীংঙাই শংদান্নখিবা বার্সেলোনাগী কোচ দটচ মচা রোনাল্ড কিমান



## বর্সেলোনা রিয়াল মাদ্রিদকী মখূৎতা ১-২দা মায়থীখ্রে

মাদ্রিদ, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব বর্সেলোনানা ঙরাং অথেংবদা লালিগাগী এল ক্লাসিকো হায়না খঙনরিবা রিয়াল মাদ্রিদকা শান্নখিবা মেটচতা টিম অদু ১-২দা মায়থীবা নংখ্রে।

ঙরাংগী মেটচ অদু টিম অনীমক্কী য়াম্না মরুওইবা মেটচ ওইখিবনি। রিয়াল মাদ্রিদ পোইন্ট ৬৩ ফংলগা অহুমশুবদা লৈরমখি। অদুগা বর্সেলোনানা পোইন্ট ৬৫ ফংলগা অনীশুবদা লৈরম্বনি। এটলেটিকো মাদ্রিদনা পোইন্ট ৬০ ফংলগা মাঙজিল থারম্বনি। মেটচকী অঙনবা শরুক্তা রিয়াল মাদ্রিদকী লুকাস ভাস্কিজনা পীরকপা বোল অমদা শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা করিম বেঞ্জিমানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মিনট ১৫ লৈরগা রিয়াল মাদ্রিদকী মখা তাবা এটেক অমদা টোনি ক্রুজনা টিম অদুগী পাঞ্জল ১গা চন্দুনা বর্সেলোনাবু মখোয়না ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অহানবা হাফকী লোইশিল্লকপা ফাওবা বর্সেলোনাগী টিম খূৎ হনবা ঙমখিদে। শান্নবগী অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৫ চঙশিল্লকপদা বর্সেলোনাগী জোরদি অলবানা পীরকপা বোলদা ওস্কার মিনগেজনা পাঞ্জল ১ হন্দোকপা হৌখি। ইক্বেলাইজর ফংনবা রিয়াল মাদ্রিদকী মায়কৈদা বর্সেলোনানা বোল হেন্না পুশিন্দুনা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু মখোয়গী হোৎনজমল অদুদা পেনাল্টি ক্লেম তৌবা তাঞ্জা অনীরক রেফরিনা পীখিদবনি। মেটচ অদু লোইশিল্লকপা ফাওবা বর্সেলোনা ইক্বেলাইজর ফংদনা মায়থীহৌখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা মমৈদা লৈরিবা ওসাসুনানা ভিলারিয়ালবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখি। ওসাসুনাগী জোন মোনকায়োলা অমদি বুদিমিনা পাঞ্জল চনখি। অদুগা ভিলারিয়ালগীনা গার্সিয়ানা চনখি।

## লিভরপুল অমসুং চেলসি মায় পাকপা ঙমখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী হৌখিবা সিজনগী টাইটল লৌবা ঙম্লিবা লিভরপুল ফুটবোল ক্লব অমসুং চেলসি মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং অদু মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ঙরাং লিভরপুলনা য়ুম্থু ওইরগা টিম অদুগী হোম গ্রাউন্দ এনফিল্ড ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু এষ্টন ভিল্লাগা লম্বা তৌনবনি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল ৪৩শুবা মিনটতা এষ্টন ভিল্লাগী জোন মেকগিননা পীখিবা বোলদা ওলি ৱেকিন্সনা চনখি। লিভরপুলগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা মহমদ সালানা চনবা ঙমখি। মখা তাবা মেটচকী অয়াম্বা মতম লম্বা মান্নখ্রবা মতুং ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা লিভরপুলগী ট্রেন্ট অলেকজেন্দরনা পাঞ্জল চল্লগা ২-১দা থোইবা ঙমখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা চেলসি অমদি খৃষ্টল পেলেস লম্বা তৌনবদা চেলসিনা হৌবদগী খুদুম চন্না শান্নখিবা মরম্না অহানবা পুংখায় অমরোমগী মতমদা পাঞ্জল ৩ চনখি। ৮শুবা মিনটতা কাই হর্বর্টসনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। খৃষ্টিয়ন পুলিসিকনা ১০শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। অদুগা ৩০শুবা মিনটতা কর্দ জোমানা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনখিবনি।

অনীশুবা হাফতা খৃষ্টল পেলেসকী খৃষ্টিয়ন বেন্টিকিনা পাঞ্জল ১ হন্দোকখ্রবা মতুং শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা চেলসিগী খৃষ্টিয়ন পুলিসিকনা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ৪-১দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদনা বর্নলেবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখি। বর্নলেনা হান্না মাটেজ ভিদ্রাগী মতেংদা অহানবা পাঞ্জল চনখি। ন্যু কাসল য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগীনা জেকোব অমসুং অলাননা চনখিবনি।

## ইন্টরনা মাঙজিল থারি, য়ুভেন্টসসু মায় পাকখ্রে

রোম, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
সেরি এগী পোইন্ট টেবলদা হান্নদগী মাঙজিল থাদুনা লাকখিবা ইন্টরনা কাগ্লিয়ারি থোইদুনা মখা তানা পোইন্ট টেবলগী লুচিংবা ওইরি। অমরোমদা মমাং চহীগী চেম্পিয়ন য়ুভেন্টসনা জেনৱাবু ৩-১দা থোইখ্রে।

ইন্টরনা য়ুম্থু ওইরগা ঙরাং কাগ্লিয়ারিগা শান্নখিবা মেটচ অদু পোইন্ট টেবলগী ১৮শুবা পোজিসনদা লৈরিবা কাগ্লিয়ারিগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা পীরক্তুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা ইন্টরগী অশ্রফ হাকিমিনা পীরকপা বোলদা মাটিও দর্মিয়াননা মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকখি।

য়ুভেন্টসনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ অলিয়াঞ্জ ষ্টেদিয়মদা জেনৱাগা শান্নখিবা মেটচ অদু অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। টিম অদুগী জোন কোদ্রাদোনা পীরকপা বোলদা দেজান কুলুসেভস্কিনা ৪শুবা মিনটতা ঙন্না পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। ২২শুবা মিনটতা অলভারো মোরাটানা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

অনীশুবা হাফতা জেনৱাগী জিয়ান লুকা স্কামাকানা নিকোলো লোভেলাগী বোলদা ৪৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ হন্দোকখি। অদুবু য়ুভেন্টসগী ৱেষ্টোন মেকিনিনা ৭০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা ৩-১দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা লীগ অসিগী ২শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রবা এ সী মিলাননা পার্মা কালসিওবু ৩-১দা থোইখি। এ সী মিলানগী মায়কৈদগী এন্টি রেবিক, ফ্রাঙ্ক কেসি অমসুং রাফেল লিওনা পাঞ্জলশিং অদু চনখি। অদুগা পার্মাগী মায়কৈদগীনা গাগ্লিওলোনা চনখি।

## পেরিস সেন্ট জর্মেননা ষ্ট্রাশবোর্গ ৪-১দা থোইখ্রে

পেরিস, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
ফ্রান্সকী নম্বর ৱান ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ৱানগী হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়ন পেরিস সেন্ট জর্মেননা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ষ্ট্রাশবোর্গপু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা পেরিস সেন্ট জর্মেননা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী লিয়েন্দ্রো দেনিএল পারিদ্জনা পীরকপা বোলদা কিলিয়ান মাপেনা চনখিবনি। মিনট ১১ লৈরগা মখা তাবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী এটেক অমদা দানিলো পেরৈরানা পীরকপা বোলদা পাব্লো সরাভিয়ানা ২৭শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। ষ্ট্রাশবোর্গকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমফাওবা চনবা ঙমদ্রিঙৈ অহানবা হাফকী অরোইবা মিনটতা কিলিয়ান মাপেনা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমদা মোইজে কিননা পাঞ্জল চল্লগা ৩-০দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা ষ্ট্রাশবোর্গকী মায়কৈদগী জোন রিক্লুরনা পীরকপা বোল অমদা দিওন সাহিনা ৬৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। মখা তাবা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবা অদু কান্নদনা লৈরিঙৈ পেরিস সেন্ট জর্মেনগী লিয়েন্দ্রো দেনিএল পারিদ্জনা ৭৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ৪-১দা থোইবা ঙমখি।

লীগ ৱানগী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা লেন্সনা লোরিএন্টপু পাঞ্জল ৪-১দা থোইবা ঙমখি। অহানবা হাফতা লেন্সকী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ অদুগা লোরিএন্টকী মায়কৈদগীনা পাঞ্জল ১ চনখি। লেন্সকী পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি অকুতা, কোরেন্টিন, অর্নোদ অমসুং সাইমোন বাঞ্জানি। অদুগা লোরিএন্টকী মায়কৈদগীনা টেরেননা চনখি।

## মোন্টিনিগ্রোগী দানকা কোভিনিক অমসুং রসিয়াগী ভেরোনিকা কুদরমেটোভানা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

চার্লেষ্টোন, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
য়ু এস এগী চার্লেষ্টোনদা লৈবা ফেমিলি সর্কল টেন্নিস সেন্টরদা পাঙথোক্লিবা য়ু এস দোল্লর ৫৬৫,৫৩০গী শেলগী মনা লৈবা ভোলভো কার ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগা চার্লেষ্টোন ওপন হায়রগসু খঙনবা নুপীগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৪৮রকশুবা ইদিসনগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা মোন্টিনিগ্রোগী দানকা কোভিনিক অমসুং রসিয়াগী ভেরোনিকা কুদরমেটোভাগা লম্বা তৌনরগনি।





ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা সিঙ্গলস সেমীফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা সিদেদ রসিয়াগী ভেরোনিকা কুদরমেটোভানা স্পেনগী পোলা বাদোসাগা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট অদুদা কুদরমেটোভাগী মায়কৈদগী পাঙ্গল লৈনা শান্নদুনা বাদোসাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা সেট অদু ৬-৩দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতসু হান্নগী লম্বা অদুগুম্না ভেরোনিকা কুদরমেটোভানা খরা হেন্না শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইদুনা অহানবা সেটকী স্কোর অদুগা চপ মান্ননা সর্ভিস অমা ব্রেক তৌরগা কুদরমেটোভানা ৬-৩দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌবা ঙল্লকপনি।

অতোপ্পা সেমীফাইনেলদনা মোন্টিনিগ্রোগী দানকা কোভিনিকনা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা সিদেদ টুনিসিয়াগী ওন্স জেবোরগা লম্বা তৌনখি। দানকা কোভিনিকনা অহানবা সেটতগী হৌরগা জেবোরদগী ফজবা হেনখি। গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেটতা কোভিনিকনা জেবোরগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬-২দা থোইদুনা ফাইনেল চঙখি।

দবলসকী কাঙলুপ্তা য়ু এসকী এন মেলিসর অমদি নেদরলেন্দসকী দি স্কুরসকী প্যেরগা চেক রিপব্লিককী এম ভোস্কোভা অমদি এল রাদেকাগী প্যেরগা লম্বা তৌনরগনি।

## টোকিও ওলিম্পিক্স ওর্গনাইজরশিংনা লাক্কদৌরিবা এথলিটশিংগীদমক হোটেল ৩০০ সিক্যুর তৌরগনি : রিপোর্ট

টোকিও, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
কুমজা ২০২০দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বদগী কোভিদ-১৯গী মালেমগী ওইবা লায়চৎনা চহী ১ য়েথোক্তুনা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী এপ্রিল ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না নৌনা মতম পীখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ওর্গনাইজরশিংনা গেমস অদুদা শরুক য়াবা লাক্কদৌরিবা এথলিটশিং অদুগীদমক্তা সিটি অদুদা লৈবা হোটেল ৩০০ সিক্যুর তৌরগনি হায়না মমিং লৈরবা লৈবাক অদুগী পাউগী এজেন্সী ক্যোদো ন্যুজ এজেন্সীনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

জপান লৈঙাক্কা হয়েংদগী হৌরগা থা ১ চুপ্পা টোকিও সিটিবু ক্বাসি ইমর্জেন্সিদা থমদুনা নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং হেনগৎলকপা অদুবু লাষ্টেংননবা হোৎনগদৌরি। হায়রিবা খোঙথাং অসি থা ১ ফাদ্রিঙৈদা টোকিও সিটিদা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লৌথোকখ্রবা মতুং পায়খৎলকপনি।



টোকিও ওলিম্পিক্স ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা এথলিটশিংনা লৈগদবা ভিলেজদগী কিলোমিটর খরা খক্তমক চৎলগা লৈবা মফমদা হোটেলশিং অদু রিজর্ভ তৌদুনা থম্নবা খোঙথাং লৌখৎলি। হারুমি ৱাটর ফ্রন্ট দিষ্ট্রিক্টতা মিলিয়ন দোল্লর কয়া চঙনা মফম অদু শেমগৎকদৌরি হায়না ক্যোদো ন্যুজ এজেন্সীগী রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোক্লি।

গেমস য়াওবা লাকপদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা এথলিটশিং অমদি হোস্পিটেলাইজেসনগী তঙাইফদবা লৈরোইদবা মীওইশিং অদুবু কাঙলোনগী মতুংইন্না হায়রিবা হোটেল অদুদা নুমীৎ ১০নি থমগদৌরি হায়রি। মখোয়বু মফম অদুগী মেদিকেল ষ্টাফশিংনা চেকশিন্না য়েংশিনগদৌরি।

রিপোর্ট অসিনা মখা তারদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা পেসেন্টশিং পুথোক-পুশিন তৌননবা অখন্নবা ভেহিকল ৩০সু শেম শারে হায়রি। ফেব্রুৱারী থাদা লাউথোকখিবা মতুংইন্না গেমস য়াওবা লাকপা এথলিট পুম্নমক কাঙলোনগী মতুংইন্না নুমীৎ ৪/৪নি লৈরগা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌগদৌরি। অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়েংনবদা কোভিদ-১৯না শিহনখিবা মশীং য়াম্না নেম্মী। অদুবু অনৌবা ৱেভ লাকপা অসিনা চিংনবা পোকহল্লিবনি।

## মহমদ রিজৱানগী রন ৭৪না সাউথ অফ্রিকাবু পাকিস্তাননা অহানবা টি-২০ মেটচতা ৱিকেট ৪দা থোইহনবা ঙমখ্রে

জোহেন্সবর্গ, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
পাকিস্তানগী ক্রিকেট টিমনা সাউথ অফ্রিকা টুরগী মনুং চন্না ঙরাং অথেংবদা শান্নবা হৌখিবা টি-২০ মেটচ ৪গী সেরিজগী অহানবা মেটচ অদুদা পাকিস্তানগী বেটসমেন মহমদ রিজৱাননা আউট ওইদনা লৌখিবা রন ৭৪না চাওনা মতেং পাংদুনা পাকিস্তানবু ৱিকেট ৪দা থোইহনবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী বেটিং সাউথ অফ্রিকানা হান্না তৌখি। মদুদা সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী এদেন মার্ক্রমনা রন ৫১ লৌদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। মহাকপু চাওনা মতেং পাংখিবা অতোপ্পা বেটসমেনশিং অদুদি রন ৫০ লৌবা ঙমখিবা হেনরিক ক্লাসেন অমসুং রন ৩৪ লৌবা ঙমখিবা পিট ভান বিলজেননি। সাউথ অফ্রিকানা ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৮৮ লৌখি।


মায় পাক্নবা পাকিস্তাননা রন ১৮৯ অদু ২০শুবা ওভরগী অরোইবা বোলদা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা লৌবা ঙমখি। মহমদ রিজৱাননা আউট ওইদনা রন ৭৪ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ফাহিম অস্রফনা রন ৩০, অদুগা মায় পাকপগী রন অদুনা হাসন অলিনা অরোইবা ওভর অদুদা লৌবা ঙমখিবনি।

## জোকোবিচ অমসুং নদাল শেম শারি

লন্দন, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
নুপাগী টেন্নিসকী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচ অমসুং ক্লে কোর্টকী ওইনা লম্বা লৈত্রবা স্পেনগী রাফেল নদালনা জুন থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লামগী শেম শাবা ওইনা চয়োল অসিদা মোন্টি কার্লোদা শরুক য়ারগনি।

জোকোবিচ অমসুং নদাল অনীমক ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দ স্লাম অদুগী মতুংদা টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমত্তা শান্নদ্রি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুদা জোকোবিচনা ৯লকশুবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টাইটল ফংদুনা করিয়রগী ওইনা ১৮শুবা গ্রান্দ স্লাম ফংবা ঙমখি। মসিদসু নৎতনা নিংথৌকাবা নুমীৎতগী জোকোবিচনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইবগী চয়োল ৩১৬লক শুবা অদু কাউন্ট তৌবা হৌগদৌরি। মোন্টি কার্লো ওপন অসি নদালনা ১১রক টাইটল লৌবা ঙমখ্রবনি। অদুগা জোকোবিচনা অনীরক লৌবদা ঙাইরি। টুর্নামেন্ট অসিদা নদালগী ওইনা মেটচ ৭৬ শান্নবদা ৭১ মায় পাক্লগা মেটচ ৫ খক মায়থীবা নংলি। জোকোবিচকী ওইনদি কুমজা ২০১৫দগী ক্বার্টর ফাইনেল লাম্থোকপা ঙমদ্রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 77**

**Anand, Viswanathan (2791) - Leko, Peter (2751)**
**18th Amber Blindfold Nice FRA (1), 2009.03.14**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bb5 a6 | 4.Ba4 Nf6 |
| 5.O-O Be7 | 6.Re1 b5 | 7.Bb3 O-O | 8.c3 d6 |
| 9.h3 Nb8 | 10.d4 Nbd7 | 11.Nbd2 Bb7 | 12.Bc2 Re8 |
| 13.a4 Bf8 | 14.Bd3 c6 | 15.b3 g6 | 16.Ba3 Qc7 |
| 17.Qc2 Bg7 | 18.Rad1 Rac8 | 19.Bb2 Nh5 | 20.Bf1 bxa4 |
| 21.bxa4 d5 | 22.dxe5 Nxe5 | 23.Nxe5 Bxe5 | 24.c4 dxe4 |
| 25.c5 Bxb2 | 26.Qxb2 e3 | 27.fxe3 Rcd8 | 28.Nc4 Rxd1 |
| 29.Rxd1 Qe7 | 30.Nd6 Rd8 | 31.Qd4 Rf8 | 32.Bc4 Bc8 |
| 33.Rb1 Ng3 | 34.e4 Qg5 | 35.Bxf7+ Rxf7... | |

**QUESTION :**
**White wins in 3 moves**

**Puzzle 76 Ans. :**
**29.** ...Kg7Mating net **30.**Bxd5 e5Mating net **31.** Nxc4 h6#
**29.** ...Kg7

NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM) CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021
CLASS X & XII SC. (CBSE) CLASS STARTING - 11th FEB, 2021
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM) STARTING ON - 4th MARCH, 2021
* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.
Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.
RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-B/6904/7/4-6/5

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
REGISTRATION OPEN
Mega Mock Test Series
NEET (Medical) - 2021
✓ Only Offline Test Series (every Sunday)
✓ Explanatory Keys for each Test
✓ Limited Seats (With Strict SOPs)
✓ First Come First Serve
Form Issue :8th April, 2021
Office timing : 6:00 A.M. to 4:00 PM.
For details, kindly contact :- APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.
HL-B/6795/8,10,12,14

MEGA MOCK TEST FOR X AND XII
THE 7TH PREMILINARY SAMPLE OF HSLC AND COHSEM EXAM 2021 – 22
CONDUCTED BY – HUMAN RESOURCE CENTRE
NO EXAM FEE
CASE PRIZE OF 3 LAKHS + SCHOLARSHIP OF ONE YEAR WITH MOMENTO AND CERTIFICATE TO ALL THE POSITION HOLDERS
NO EXAM FEE
LAST DATE OF FORM SUBMISSION – 24TH APRIL 2021.
♦ QUESTIONS WILL THE SAME PATTERN OF BOSEM & COHSEM EXAM.
♦ TO AIM IN SCORING HIGHEST MARK IN THE COMING BOSEM & COHSEM EXAM.
FIRST COME FIRST SERVE ONLY 500 STUDENTS EACH INTAKE UNDER SOP GUIDELINE
CLASS X
SUBJECT EXAM DATE
1. MATHS – 26/04/'21
2. SCIENCE – 28/04/'21
3. ENGLISH – 30/04/'21
4. SOCIAL Sc. – 02/05/'21
CLASS XII
SUBJECT EXAM DATE
1. MATHS – 25/04/'21
2. PHYSICS – 27/04/'21
3. CHEMISTRY – 29/04/'21
4. BIOLOGY – 01/05/'21
FORM WILL BE AVAILABLE
@ ADVANCED COACHING INSTITUTE
NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI
FOR QUERY : 9862992105
HL-B/6894/3/4-31/5



ইন্দিয়া লৈঙাক্লা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী খূথাংদা লৈবাক অসিগী অফবা শান্নরোয়শিং পুথোক্তুনা ওলিম্পিক্সতা মকোক ওইনবা হোৎনবদা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিমনা চাওনা মতেং পীরি হায়না ফোঙদোকখিবা জেভলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রা

স্পেনগী লালিগাদা রিয়াল মাদ্রিদকী মখূৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখ্রবা বার্সেলোনাগী টিমদা রেফরিনা পেনাল্টি অমা পীবা য়াবা তাঞ্জাদা পীখিদে হায়দুনা রেফরিগা নীংঙাই শংদান্নখিবা বার্সেলোনাগী কোচ দটচ মচা রোনাল্ড কিমান



## বর্সেলোনা রিয়াল মাদ্রিদকী মখূৎতা ১-২দা মায়থীখ্রে

মাদ্রিদ, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব বর্সেলোনানা ঙরাং অথেংবদা লালিগাগী এল ক্লাসিকো হায়না খঙনরিবা রিয়াল মাদ্রিদকা শান্নখিবা মেটচতা টিম অদু ১-২দা মায়থীবা নংখ্রে।

ঙরাংগী মেটচ অদু টিম অনীমক্কী য়াম্না মরুওইবা মেটচ ওইখিবনি। রিয়াল মাদ্রিদ পোইন্ট ৬৩ ফংলগা অহুমশুবদা লৈরমখি। অদুগা বর্সেলোনানা পোইন্ট ৬৫ ফংলগা অনীশুবদা লৈরম্বনি। এটলেটিকো মাদ্রিদনা পোইন্ট ৬০ ফংলগা মাঙজিল থারম্বনি। মেটচকী অঙনবা শরুক্তা রিয়াল মাদ্রিদকী লুকাস ভাস্কিজনা পীরকপা বোল অমদা শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা করিম বেঞ্জিমানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মিনট ১৫ লৈরগা রিয়াল মাদ্রিদকী মখা তাবা এটেক অমদা টোনি ক্রুজনা টিম অদুগী পাঞ্জল ১গা চন্দুনা বর্সেলোনাবু মখোয়না ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অহানবা হাফকী লোইশিল্লকপা ফাওবা বর্সেলোনাগী টিম খূৎ হনবা ঙমখিদে। শান্নবগী অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৫ চঙশিল্লকপদা বর্সেলোনাগী জোরদি অলবানা পীরকপা বোলদা ওস্কার মিনগেজনা পাঞ্জল ১ হন্দোকপা হৌখি। ইক্বেলাইজর ফংনবা রিয়াল মাদ্রিদকী মায়কৈদা বর্সেলোনানা বোল হেন্না পুশিন্দুনা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু মখোয়গী হোৎনজমল অদুদা পেনাল্টি ক্লেম তৌবা তাঞ্জা অনীরক রেফরিনা পীখিদবনি। মেটচ অদু লোইশিল্লকপা ফাওবা বর্সেলোনা ইক্বেলাইজর ফংদনা মায়থীহৌখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা মমৈদা লৈরিবা ওসাসুনানা ভিলারিয়ালবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখি। ওসাসুনাগী জোন মোনকায়োলা অমদি বুদিমিনা পাঞ্জল চনখি। অদুগা ভিলারিয়ালগীনা গার্সিয়ানা চনখি।

## লিভরপুল অমসুং চেলসি মায় পাকপা ঙমখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী হৌখিবা সিজনগী টাইটল লৌবা ঙম্লিবা লিভরপুল ফুটবোল ক্লব অমসুং চেলসি মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং অদু মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ঙরাং লিভরপুলনা য়ূম্বু ওইরগা টিম অদুগী হোম গ্রাউন্দ এনফিল্ড ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু এষ্টন ভিল্লাগা লম্বা তৌনবনি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল ৪৩শুবা মিনটতা এষ্টন ভিল্লাগী জোন মেকগিননা পীখিবা বোলদা ওলি ৱেকিন্সনা চনখি। লিভরপুলগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা মহমদ সালানা চনবা ঙমখি। মখা তাবা মেটচকী অয়াম্বা মতম লম্বা মান্নখ্রবা মতুং ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা লিভরপুলগী ট্রেন্ট অলেকজেন্দরনা পাঞ্জল চল্লগা ২-১দা থোইবা ঙমখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা চেলসি অমদি খৃষ্টল পেলেস লম্বা তৌনবদা চেলসিনা হৌবদগী খূদুম চন্না শান্নখিবা মরম্না অহানবা পুংখায় অমরোমগী মতমদা পাঞ্জল ৩ চনখি। ৮শুবা মিনটতা কাই হবর্টসনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। খৃষ্টিয়ন পুলিসিকনা ১০শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। অদুগা ৩০শুবা মিনটতা কর্ত জোমানা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনখিবনি।

অনীশুবা হাফতা খৃষ্টল পেলেসকী খৃষ্টিয়ন বেন্টিকিনা পাঞ্জল ১ হন্দোকখ্রবা মতুং শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা চেলসিগী খৃষ্টিয়ন পুলিসিকনা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ৪-১দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদনা বর্নলেবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখি। বর্নলেনা হান্না মাটেজ ভিদ্রাগী মতেংদা অহানবা পাঞ্জল চনখি। ন্যু কাসল য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগীনা জেকোব অমসুং অলাননা চনখিবনি।

## ইন্টরনা মাঙজিল থারি, য়ুভেন্টসসু মায় পাকখ্রে

রোম, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
সেরি এগী পোইন্ট টেবলদা হান্নদগী মাঙজিল থাদুনা লাকখিবা ইন্টরনা কাগ্লিয়ারি থোইদুনা মখা তানা পোইন্ট টেবলগী লুচিংবা ওইরি। অমরোমদা মমাং চহীগী চেম্পিয়ন য়ুভেন্টসনা জেনৱাবু ৩-১দা থোইখ্রে।

ইন্টরনা য়ূম্বু ওইরগা ঙরাং কাগ্লিয়ারিগা শান্নখিবা মেটচ অদু পোইন্ট টেবলগী ১৮শুবা পোজিসনদা লৈরিবা কাগ্লিয়ারিগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা পীরক্তুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা ইন্টরগী অশ্রফ হাকিমিনা পীরকপা বোলদা মাটিও দর্মিয়াননা মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকখি।

য়ুভেন্টসনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ অলিয়াঞ্জ ষ্টেদিয়মদা জেনৱাগা শান্নখিবা মেটচ অদু অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। টিম অদুগী জোন কোদ্রাদোনা পীরকপা বোলদা দেজান কুলুসেভস্কিনা ৪শুবা মিনটতা ঙন্না পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। ২২শুবা মিনটতা অলভারো মোরাটানা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

অনীশুবা হাফতা জেনৱাগী জিয়ান লুকা স্কামাকানা নিকোলো লোভেলাগী বোলদা ৪৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ হন্দোকখি। অদুবু য়ুভেন্টসগী ৱেষ্টোন মেকিনিনা ৭০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা ৩-১দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা লীগ অসিগী ২শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রবা এ সী মিলাননা পার্মা কালসিওবু ৩-১দা থোইখি। এ সী মিলানগী মায়কৈদগী এন্টি রেবিক, ফ্রাঙ্ক কেসি অমসুং রাফেল লিওনা পাঞ্জলশিং অদু চনখি। অদুগা পার্মাগী মায়কৈদগীনা গাগ্লিওলোনা চনখি।

## পেরিস সেন্ট জর্মেননা ষ্ট্রাশবোর্গ ৪-১দা থোইখ্রে

পেরিস, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
ফ্রান্সকী নম্বর ৱান ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ৱানগী হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়ন পেরিস সেন্ট জর্মেননা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ষ্ট্রাশবোর্গপু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা পেরিস সেন্ট জর্মেননা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী লিয়েন্দ্রো দেনিএল পারিদ্জনা পীরকপা বোলদা কিলিয়ান মাপেনা চনখিবনি। মিনট ১১ লৈরগা মখা তাবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী এটেক অমদা দানিলো পেরৈরানা পীরকপা বোলদা পাব্লো সরাভিয়ানা ২৭শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। ষ্ট্রাশবোর্গকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমফাওবা চনবা ঙমদ্রিঙৈ অহানবা হাফকী অরোইবা মিনটতা কিলিয়ান মাপেনা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমদা মোইজে কিননা পাঞ্জল চল্লগা ৩-০দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা ষ্ট্রাশবোর্গকী মায়কৈদগী জোন রিক্রুরনা পীরকপা বোল অমদা দিওন সাহিনা ৬৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। মখা তাবা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবা অদু কান্নদনা লৈরিঙৈ পেরিস সেন্ট জর্মেনগী লিয়েন্দ্রো দেনিএল পারিদ্জনা ৭৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ৪-১দা থোইবা ঙমখি।

লীগ ৱানগী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা লেন্সনা লোরিএন্টপু পাঞ্জল ৪-১দা থোইবা ঙমখি। অহানবা হাফতা লেন্সকী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ অদুগা লোরিএন্টকী মায়কৈদগীনা পাঞ্জল ১ চনখি। লেন্সকী পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি অকুতা, কোরেন্টিন, অর্নোদ অমসুং সাইমোন বাঞ্জানি। অদুগা লোরিএন্টকী মায়কৈদগীনা টেরেননা চনখি।

## মোন্টিনিগ্রোগী দানকা কোভিনিক অমসুং রসিয়াগী ভেরোনিকা কুদরমেটোভানা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

চার্লেষ্টোন, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
য়ু এস এগী চার্লেষ্টোনদা লৈবা ফেমিলি সর্কল টেন্নিস সেন্টরদা পাঙথোক্লিবা য়ু এস দোল্লর ৫৬৫,৫৩০গী শেলগী মনা লৈবা ভোলভোকার ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগা চার্লেষ্টোন ওপন হায়রগসু খঙনবা নুপীগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৪৮রকশুবা ইদিসনগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা মোন্টিনিগ্রোগী দানকা কোভিনিক অমসুং রসিয়াগী ভেরোনিকা কুদরমেটোভাগা লম্বা তৌনরগনি।





ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা সিঙ্গলস সেমীফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা সিদেদ রসিয়াগী ভেরোনিকা কুদরমেটোভানা স্পেনগী পোলা বাদোসাগা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট অদুদা কুদরমেটোভাগী মায়কৈদগী পাঙ্গল লৈনা শান্নদুনা বাদোসাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা সেট অদু ৬-৩দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতসু হান্নগী লম্বা অদুগুম্না ভেরোনিকা কুদরমেটোভানা খরা হেন্না শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইদুনা অহানবা সেটকী স্কোর অদুগা চপ মান্নবা সর্ভিস অমা ব্রেক তৌরগা কুদরমেটোভানা ৬-৩দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকপনি।

অতোপ্পা সেমীফাইনেলদনা মোন্টিনিগ্রোগী দানকা কোভিনিকনা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা সিদেদ টুনিসিয়াগী ওন্স জেবোরগা লম্বা তৌনখি। দানকা কোভিনিকনা অহানবা সেটতগী হৌরগা জেবোরদগী ফজবা হেনখি। গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেটতা কোভিনিকনা জেবোরগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬-২দা থোইদুনা ফাইনেল চঙখি।

দবলসকী কাঙলূপ্তা য়ু এসকী এন মেলিসর অমদি নেদরলেন্দসকী দি স্কুরসকী প্যেরগা চেক রিপব্লিককী এম ভোস্কোভা অমদি এল রাদেকাগী প্যেরগা লম্বা তৌনরগনি।

## টোকিও ওলিম্পিক্স ওর্গনাইজরশিংনা লাক্কদৌরিবা এথলিটশিংগীদমক হোটেল ৩০০ সিক্যুর তৌরগনি : রিপোর্ট

টোকিও, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
কুমজা ২০২০দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বদগী কোভিদ-১৯গী মালেমগী ওইবা লায়চৎনা চহী ১ য়ৈথোক্তুনা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী এপ্রিল ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না নৌনা মতম পীখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ওর্গনাইজরশিংনা গেমস অদুদা শরুক য়াবা লাক্কদৌরিবা এথলিটশিং অদুগীদমক্তা সিটি অদুদা লৈবা হোটেল ৩০০ সিক্যুর তৌরগনি হায়না মমিং লৈরবা লৈবাক অদুগী পাউগী এজেন্সী ক্যোদো ন্যুজ এজেন্সীনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

জপান লৈঙাক্লা হয়েংদগী হৌরগা থা ১ চুপ্পা টোকিও সিটিবু ক্বাসি ইমর্জেন্সিদা থমদুনা নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং হেনগৎলকপা অদুবু লাপ্তেংনবা হোৎনগদৌরি। হায়রিবা খোঙথাং অসি থা ১ ফাদ্রিঙৈদা টোকিও সিটিদা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লৌথোকখ্রবা মতুং পায়খৎলকপনি।



টোকিও ওলিম্পিক্স ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা এথলিটশিংনা লৈগদবা ভিলেজদগী কিলোমিটর খরা খক্তমক চৎলগা লৈবা মফমদা হোটেলশিং অদু রিজর্ভ তৌদুনা থম্ননবা খোঙথাং লৌখৎলি। হারুমি ৱাটর ফ্রন্ট দিষ্ট্রিক্টতা মিলিয়ন দোল্লর কয়া চঙনা মফম অদু শেমগৎকদৌরি হায়না ক্যোদো ন্যুজ এজেন্সীগী রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোক্লি।

গেমস য়াওবা লাকপদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা এথলিটশিং অমদি হোস্পিটেলাইজেসনগী তঙাইফদবা লৈরোইদবা মীওইশিং অদুবু কাঙলোনগী মতুংইন্না হায়রিবা হোটেল অদুদা নুমীৎ ১০নি থমগদৌরি হায়রি। মখোয়বু মফম অদুগী মেদিকেল ষ্টাফশিংনা চেকশিন্না য়েংশিনগদৌরি।

রিপোর্ট অসিনা মখা তারদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা পেসেন্টশিং পুথোক-পুশিন তৌননবা অখন্নবা ভেহিকল ৩০সু শেম শারে হায়রি। ফেব্রুৱারী থাদা লাউথোকখিবা মতুংইন্না গেমস য়াওবা লাকপা এথলিট পুম্নমক কাঙলোনগী মতুংইন্না নুমীৎ ৪/৪নি লৈরগা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌগদৌরি। অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়েংনবদা কোভিদ-১৯না শিহনখিবা মশীং য়াম্না নেম্মী। অদুবু অনৌবা ৱেভ লাকপা অসিনা চিংনবা পোকহল্লিবনি।

## মহমদ রিজৱানগী রন ৭৪না সাউথ অফ্রিকাবু পাকিস্তাননা অহানবা টি-২০ মেটচতা ৱিকেট ৪দা থোইহনবা ঙমখ্রে


জোহেন্সবর্গ, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
পাকিস্তানগী ক্রিকেট টিমনা সাউথ অফ্রিকা টুরগী মনুং চন্না ঙরাং অথেংবদা শান্নবা হৌখিবা টি-২০ মেটচ ৪গী সেরিজগী অহানবা মেটচ অদুদা পাকিস্তানগী বেটসমেন মহমদ রিজৱাননা আউট ওইদনা লৌখিবা রন ৭৪না চাওনা মতেং পাংদুনা পাকিস্তানবু ৱিকেট ৪দা থোইহনবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী বেটিং সাউথ অফ্রিকানা হান্না তৌখি। মদুদা সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী এদেন মার্ক্রমনা রন ৫১ লৌদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। মহাকপু চাওনা মতেং পাংখিবা অতোপ্পা বেটসমেনশিং অদুদি রন ৫০ লৌবা ঙমখিবা হেনরিক ক্লাসেন অমসুং রন ৩৪ লৌবা ঙমখিবা পিট ভান বিলজেননি। সাউথ অফ্রিকানা ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৮৮ লৌখি।

মায় পাক্নবা পাকিস্তাননা রন ১৮৯ অদু ২০শুবা ওভরগী অরোইবা বোলদা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা লৌবা ঙমখি। মহমদ রিজৱাননা আউট ওইদনা রন ৭৪ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ফাহিম অস্রফনা রন ৩০, অদুগা মায় পাকপগী রন অদুনা হাসন অলিনা অরোইবা ওভর অদুদা লৌবা ঙমখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

### PUZZLE NO. 77



**Anand, Viswanathan (2791) - Leko, Peter (2751)**
**18th Amber Blindfold Nice FRA (1), 2009.03.14**

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.Bb5 a6 4.Ba4 Nf6 5.O-O Be7 6.Re1 b5 7.Bb3 O-O 8.c3 d6 9.h3 Nb8 10.d4 Nbd7 11.Nbd2 Bb7 12.Bc2 Re8 13.a4 Bf8 14.Bd3 c6 15.b3 g6 16.Ba3 Qc7 17.Qc2 Bg7 18.Rad1 Rac8 19.Bb2 Nh5 20.Bf1 bxa4 21.bxa4 d5 22.dxe5 Nxe5 23.Nxe5 Bxe5 24.c4 dxe4 25.c5 Bxb2 26.Qxb2 e3 27.fxe3 Rcd8 28.Nc4 Rxd1 29.Rxd1 Qe7 30.Nd6 Rd8 31.Qd4 Rf8 32.Bc4 Bc8 33.Rb1 Ng3 34.e4 Qg5 35.Bxf7+ Rxf7...

**QUESTION :**
**White wins in 3 moves**

**Puzzle 76 Ans. :**
**29.** ...Kg7Mating net **30.**Bxd5 e5Mating net **31.** Nxc4 h6#
**29.** ...Kg7

## জোকোবিচ অমসুং নদাল শেম শারি

লন্দন, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
নুপাগী টেন্নিসকী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচ অমসুং ক্লে কোর্টকী ওইনা লম্বা লৈত্রবা স্পেনগী রাফেল নদালনা জুন থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লামগী শেম শাবা ওইনা চয়োল অসিদা মোন্টি কার্লোদা শরুক য়ারগনি।

জোকোবিচ অমসুং নদাল অনীমক ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দ স্লাম অদুগী মতুংদা টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমত্তা শান্নদ্রি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুদা জোকোবিচনা ৯লকশুবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টাইটল ফংদুনা করিয়রগী ওইনা ১৮শুবা গ্রান্দ স্লাম ফংবা ঙমখি। মসিদসু নৎতনা নিংথৌকাবা নুমীৎতগী জোকোবিচনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইবগী চয়োল ৩১৬লক শুবা অদু কাউন্ট তৌবা হৌগদৌরি। মোন্টি কার্লো ওপন অসি নদালনা ১১রক টাইটল লৌবা ঙমখ্রবনি। অদুগা জোকোবিচনা অনীরক লৌবদা ঙাইরি। টুর্নামেন্ট অসিদা নদালগী ওইনা মেটচ ৭৬ শান্নবদা ৭১ মায় পাক্লগা মেটচ ৫ খক মায়থীবা নংলি। জোকোবিচকী ওইনদি কুমজা ২০১৫দগী ক্বার্টর ফাইনেল লাপ্তোকপা ঙমদ্রি।


HL-B/6795/8,10,12,14

**NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS**
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE

CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM)
CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021

CLASS X & XII SC. (CBSE)
CLASS STARTING - 11th FEB, 2021

SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM)
STARTING ON - 4th MARCH, 2021

* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.

Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-B/6904/7/4-6/5

**APOLLO ACADEMY**
Moulding Medical & Engineering Career
REGISTRATION OPEN
Mega Mock Test Series
NEET (Medical) - 2021
✓ Only Offline Test Series (every Sunday)
✓ Explanatory Keys for each Test
✓ Limited Seats (With Strict SOPs)
✓ First Come First Serve
Form Issue :8th April, 2021
Office timing : 6:00 A.M. to 4:00 PM.
For details, kindly contact :- APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

HL-B/6894/3/4-31/5

**MEGA MOCK TEST FOR X AND XII**
THE 7TH PREMILINARY SAMPLE OF HSLC AND COHSEM EXAM 2021 – 22
CONDUCTED BY – HUMAN RESOURCE CENTRE
NO EXAM FEE
CASE PRIZE OF 3 LAKHS + SCHOLARSHIP OF ONE YEAR WITH MOMENTO AND CERTIFICATE TO ALL THE POSITION HOLDERS
NO EXAM FEE
LAST DATE OF FORM SUBMISSION – 24TH APRIL 2021.
◆ QUESTIONS WILL THE SAME PATTERN OF BOSEM & COHSEM EXAM.
◆ TO AIM IN SCORING HIGHEST MARK IN THE COMING BOSEM & COHSEM EXAM.
FIRST COME FIRST SERVE ONLY 500 STUDENTS EACH INTAKE UNDER SOP GUIDELINE

CLASS X

| SUBJECT | EXAM DATE |
|---|---|
| 1. MATHS | –26/04/'21 |
| 2. SCIENCE | –28/04/'21 |
| 3. ENGLISH | –30/04/'21 |
| 4. SOCIAL Sc. | –02/05/'21 |

CLASS XII

| SUBJECT | EXAM DATE |
|---|---|
| 1. MATHS | –25/04/'21 |
| 2. PHYSICS | –27/04/'21 |
| 3. CHEMISTRY | –29/04/'21 |
| 4. BIOLOGY | –01/05/'21 |

FORM WILL BE AVAILABLE
@ ADVANCED COACHING INSTITUTE
NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI
FOR QUERY : 9862992105